# য়ু এস, রসিয়াগী সিজফায়র সিরিয়া শীনথুংনা চৎনবা হৌখ্রে



বৈরুট, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা সিজফায়র ঙসি থাংজনুমিৎতগী সিরিয়া শীনথুংনা চৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী মাঙ তাকপগী মশক ওইরবা মুক্কবগী ফীভম অদুদা থোল্লিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাংশিং নেমথহন্নবা মালেমগী লৈবাকশিংনা কন্না হোৎনরকপগী মহয় লাকপা হৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং, ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা অলকাইদাগী মশা ওইরিবা নুশরা ফ্রন্টতি সিজফায়র অদুনা কোনশিন্দে হায়রি।

সিজফায়র অদুগী পান্দমদি সিরিয়ান গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসনগী মীহুৎশিংবু পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসন অমগীদমক্তা অমুক হন্না ৱারী শানবা য়ানবা জিনেভাদা পুরকপনি। মরী লৈনবা খুদিংমক্না খুৎ থানদবগী থৌওং অমদি পথাপশিং মওং মরিল তানা ঙাক্না চৎলবদি লাক্লিবা মার্চ ৭ তা জিনেভাদা পিছ তোক নৌনা অমুক হৌগনি হায়না য়ু এনগী পাউখোল্লোই ষ্টাফান দে মিষ্টুরানা লাউথোকখি।

সিজফায়র অদু কায়দনা চখুদুনা ৱারী শানবগী ফীভম তাহনবা ঙল্লবদি মদু সিরিয়াগী চহী মঙাগী সিভিল ৱার অদুদা মালেমগী লৈবাকশিংনা ৱারী শানদুনা অহানবা ওইনা ঈংথনবগী ফীভম লাকহনবা ঙম্বা ওইগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং সিজফায়র অদু মায় পাকহনবদা খুৎলাই পায়বা য়াল্লবা ফেক্সনশিংনা মদুবু চেকশিন্না ইনবা চঙই। অমরোমদা, ক্রুস অদু মওং অমদা হেক্তা কায়নিংঙাইসু ওইরি মরমদি ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ অমসুং নুশরা ফ্রন্টকী মায়োক্তদি মখা তানা খুৎলাই থাবা য়াবগা লোয়ননা মদুনা লাল অদু ইরাই লায়না হেক্তা চাউথোকহল্লকপা য়াই হায়রি। সিজফায়র মায় পাকহনবগী ৱাফমদা চিংনবা কয়া লৈদুনসু সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং রেবেল গ্রুপ ১০০ রোম য়াওনা ওপোজিসন্নদি মদু চপ চানা ইনগনি হায়না ফোঙদোক্লখ্রবনি।

ঙসি অহিং নোংয়াইদা ক্রুস অদু চৎনহনবা হৌখি। মদু চৎনবা হৌখিবা মতুংদা জিনেভাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দে মিষ্টুরানা হায়খি, অহানবগী রিপোর্টশিংদা য়েংবদা সিজফায়র চৎনবা হৌবা মিনিট খরগী মনুংদা কেপিটেল দামাসকস অমসুং মসিগী মনাক্তা লৈবা রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা দারায়া টাউনদা খঙহৌদনা নোংমৈ অমসুং বোম কাপ্পা লেপ্পদুনা পুংচিক চিকপগী ফীভম লৈ হায়বা উৎলি। মহাক্না অচিকপা মরক্তা থৌদোক অমখক্কী রিপোর্ট অমা লৈ, মদু মহাক্কী টিমনা থিজিল্লি হায়না ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা মরোলদি পীখিদে।

গ্রাউন্দা লৈরিবা ওপোজিসনগী এক্টিভিষ্টশিংনসু ক্রুস অদু ঙন্না ঙাক্লে হায়না পাউদমখি। দামাসকসতা এসোসিয়েটেদ প্রেসকী ক্রু অমনা হায়খি মদুদি, বোম পোকখায়বগী মখোলশিং অহিং নোংয়াইগী মতম য়ৌগদবা শুপ্নগী মিনিট অহুমগী মমাঙদা লেপখি। অলেপ্পোদা বেজ তৌবা ওপোজিসন মিদিয়া কলেক্টিভ অলেপ্পো ২৪ না হায়খি, নোংয়াই মতুং মিনিট ১৯ চৎপদা (১২:১৯ এ এম) রসিয়ন ৱারপ্লেনশিং অলেপ্পোগী অতিয়া থাদোকখি।

অমব্রেলা ওপোজিসন এক্টিভিষ্ট গ্রুপ অমা ওইরিবা লোকেল কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা সিরিয়ন গ্রুপশিংনা দারাদা ক্রুস অদু খোঙ্গাওনখি হায়না ফোঙদোকখি। ক্রুস অদু চৎনবা হৌগদবা পুং অমা ফাবাৎতবগী মাঙওইননা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ১৪ না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রসিয়ানা হোৎনমিন্নদুনা পুথোরকখিবা এগ্রীমেন্ট অদুবু মত অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখি।

# ইষ্টর্ন অফঘানিষ্টানদা সুইসাইদ বোম্মরনা মীওই ১০ হাৎখ্রে



জালালাবাদ, অফঘানিষ্টান, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

ঙসি অফঘানিষ্টানগী ইষ্টর্ন প্রোভিন্স কুনারদা চথুরকখিবা সুইসাইদ বোম্মিং এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে অমসুং ৪০ হেন্না শোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

প্রোভিন্স অদুগী কেপিটেল অসাদাবাদতা লৈবা কৈথেল অমদা মোটোরসাইকল তোংবা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হন্দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ হাৎখি অমসুং ৪০ হেন্না শোকহনখি হায়না প্রোভিন্সল গভর্নরগী স্পোক্সমেন ঘানি মেসামেমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

প্রোভিন্সল পুলিসকী দেপ্যুটি চীফ সায়েদ মকসুদ পাচানা থৌদোক্তুদা শিখিবা মী মশীং অমা হেনগৎনা ১১ নি হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক অদু খুদক্কী ওইনা কনামত্তনা পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখিদ্রবসু মমাঙদা থোকখিবা অদুগুম্বা এটেকশিং লৈবাক অদুদা চহী ১৪ লিশাং শিংনা লাল হৌরকখিবা টালিবান ইন্সর্জেন্ট-শিংনা পাঙথোক্তুনতা লাকখি।

থৌদোক অদু মথং চয়োলদা টালিবানগা হকথেংননা পিছ তোক পাঙথোক্লবা লেপ্লিঙৈ তাঞ্জাদা থোক্লক্লিবনি।

থৌদোক অদুবু মমিৎমক্না উহৌবা মশক মমিং তাকথোক্তবা মীওই অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি মদুদি, এটেক অদু হাজি খান জান কৌবা মতিক লৈবা ট্রাইবেল লুচিংবা অহল অমদা টার্গেট তৌদুনা চথুরকখিবনি অমসুং মহাক এটেক অদুদা শিখি।

মমাঙদা জাননা টালিবানগী মায়োক্তা মফম অদুগী মীয়ামগী ঈহৌ অমা শাগৎখি হায়না ৱিটনেস অদুনা মখা তাখি।

কুনার অসি য়ুমথংনবা পাকিষ্টানগা বোর্দর শাংনা লোন্নবা ঈরাং কনবা মনুং হঞ্জিনবা প্রোভিন্সনি। মমাঙদা অফঘানিষ্টান গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানবু টালিবান মিলিটেন্টশিংদা মতেং পাংই হায়না মরাল কয়া শীবা লৈখ্রবনি।

কাবুলদা হৌখিবা চয়োলদা অফঘানিষ্টান, চাইনা, য়ু এস অমসুং পাকিষ্টানগী দেলিগেটশিংনা মমি তমখৎলক্লিবা পিছ তোক মখা তানা চথবা য়ানবগী লম্বী অমা পুথোক্লবগী পান্দমদা মরিরকশুবা ওইনা ৱারী শানখি। পিছ তোক অদু মমাঙগী কালেন থানা গভর্ণমেন্টনা টালিবান লীদর মুলাহ ওমার শিখ্রে হায়না লাউথোকউবদগী তোকখিবনি।

অনৌবা পিছ তোক্কী খোঙথাং অদু মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা লালহৌবশিংনা অফঘানিষ্টান শীনথুংনা ঈরাংগী নিংথম কেম্পেইন অমা চথুরকখিবগা লোয়ননা পায়খৎ-লকখিবনি। টালিবাননা নৌনা শাফোঙলকপা অদুনা নেটোনা লুচিংবা ফোর্সশিংনা মখোয়বু লৈবাক অদুদা পৱার পায়রম্বদগী চিংথুখিবা চহী ১৪গী মতুংদা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়বদু তাকই হায়রি।

# পাকিষ্টানি পুলিসনা কিদনেপ্পরশিংগী মখুৎতগী অফঘান গভর্নর কনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা ইস্লামাবাদতা কিদনেপ তৌখিবা অফঘানিষ্টানগী প্রোভিন্স অমগী হান্নগী গভর্নর অমা ঙরাং পাকিষ্টানি পুলিসনা মহাকপু ফারিবা মীওইশিংগী মখুৎতগী কনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

অফঘানিষ্টানগী নোংচুপ থংবা হর্ট প্রোভিন্সকী হান্নগী গভর্নর ফাজলুলাহ ৱাহিদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দা পাকিষ্টানগী কেপিটেলদা লৈবা মথৌ চিনবা কৈথেল অমদগী ফাখিবনি। "ঐখোয়না হান্নগী অফঘান গভর্নর ফাজলুলাহ ৱাহিদিবু মহাকপু ফারিবা মীওইশিংদুগী মখুৎতগী কনবগা লোয়ননা কিদনেপ্পর অহুমসু ফারে হায়না ৱাহিদিবু রেস্ক্যু তৌখিবা নোর্থ ৱেষ্টর্ন স্বাবি দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস চীফ জাবেদ ইকবাল ৱাজিরনা হায়খি।

"হান্নগী অফঘান গভর্নর অদু হকচাংগী ফীভম ফনা লৈরমখি অমসুং মহাক পেশৱারদা লৈবা অফঘান কোন্স্যুলেটতা পুখ্রে" হায়না পুলিস চীফনা হায়খি।

ৱাজিরনা মখা তারদুনা হায়খি, ফারবা মীওই অহুম অদু পুলিস কষ্টদিদা থল্লি অমসুং অরোনবা মফম অমদা ৱাহং-পাউহং চথুরি। হৌজিক ফাওবা হান্নগী অফঘান গভর্নর অদুবু করিগীদমক্তা মখোয়না ফাখ্রিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

অফঘান মিদিয়ানা ৱাহিদিগা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ হায়রিবা হান্নগী অফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা মহাকপু ফারবা মতুংদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, হান্নগী অফঘান গভর্নর অদু য়ুনাইটেদ কিংদমদা চৎনবগী ভিজা অমা থানবগীদমক্তা ইস্লামাবাদতা চৎখিবনি। য়ু কেনা অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা অফঘান মচাশিংদা ভিজা পীদে হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা ৱাহিদিবু ইস্লামাবাদতা লৈবা অফঘান এম্বেসিদা পুখি অমসুং মহাক ময়ুমদা হল্লক্লবা শেম শাখি হায়না এম্বেসিগী পোলিটিকেল কাউন্সেলর অব্দুল নসির য়ৌসোফিনা হায়খি। "মহাক খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে অমসুং হৌজিক ঐখোয়গা লৈমিন্নরি" হায়না য়ৌসোফিনা ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টানগী চহী ১৫ রোম শুরক্লবা লাল অদু লোইশিন্নবগী পান্দমদা টালিবানগা পিছ তোক চথবা য়ানবা হন্দক থা খরা অসিদা পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টাননা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরকখিবনি। অদুম ওইনমক নাকল অনীমক্তা অমনা অমবু থাজনদবগী ফীভম অমা লৈরি। লৈবাক অনীমক্না অমনা অমবু লো চৎনদবা বোর্দর এরিয়াশিংদা খুদোংথীবা নংহন্দনা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতে হায়না মরাল শীনরি।

# চাইনানা তোকঙা শন্দোকপা সোসল মিদিয়া একাউন্ট ৫৮০ থিংজিনখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

তোকঙা শন্দোকপা, মীয়ামদা চমন্নবা পোকহনবা নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা থৌওং কয়া চথুবগীদমক্তা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা সোসল মিদিয়া একাউন্ট ৫৮০ হেন্না থিংজিনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সাইবর স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ চাইনা (সি এ সি)না থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি থিংজিনখিবা একাউন্টশিং অদুগী মনুংদা ভিজিটর লিশিং কয়ামুক লৈবা মীয়াম্না পাম্নরবা মাইক্রোব্লোগ ৱেবোগী "সেলেব্রিটিশিং"গী একাউন্টশিংসু য়াওরি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা সেলেব্রিটিশিং অদুবু মখোয়গী সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিশিংবু থওইদে, মীয়ামদা শেরান্ননা ঈথিল পীদুনা ষ্টেটকী ইকাইখুম্নবা মাঙহল্লি অমসুং সোসাইটিগী ঈং-চিকপগী ফীভমদা অকায়বা পী হায়না মরাল শীখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা য়ুজরশিংনা করম্বা কম্মেন্টশিং ফোঙখিবগে নৎত্রগা করম করম্বা সেক্সনশিংদা শোকহনখিবগে হায়বদুদি শেংনা পনখিদে হায়রি।

সি এ সিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা অতৈ ৱেবসাইটশিংদসু মীয়ামগী নুংতিগী পুন্সিদা অকায়বা পীবা, ট্রান্সপোর্টেসন, ফুদ সিক্যুরিটি অমসুং পব্লিক পোলিসিশিংদা অকায়বা পীবা তোকঙা ২০০০ হেনবসু মুখৎনবা ওর্দর তৌখ্রে।

চাইনানা ইন্টর্নেট সেন্সরশিপকী থবক হেন্না কঞ্জিন্না পায়খৎনবা হোৎনরিঙৈ তাল্লক্তা ষ্টেটমেন্ট অদু থোক্লকখিবনি। লাক্লিবা মার্চ থাদগী এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা (সি এ সি না) মীরৈবাক্কী কম্পনিশিংনা ওনলাইনদা ফোঙলকপশিংদা য়াওরিবশিংদু কন্ট্রোল তৌবসু হৌরগনি।

প্রেস, পব্লিকেসন, রেদিও, ফিল্ম অমসুং টেলিভিজনগা মরী লৈননা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অয়াবা হান্না লৌদনা গেমশিং, এনিমেসন, কোমিকশিং, ওদিও নৎত্রগা ভিদিও রেকোর্দিংশিং য়াওনা "মখোয়গী ক্রিয়েটিভ কন্টেন্ট" অদু মীরৈবাক্কী কম্পনিশিং অদুনা হকথেংননা ৱেবতা ফোঙবা য়াররোই হায়রি।

প্রসিদেন্ট সিজিনপিংনা চহী অহুমগী মমাঙদা লৈঙাক্কী পৱার পায়খিঙৈদগী "গ্রেট ফায়রৱাল" হায়না খঙনবা অকনবা সেন্সরশিপ সিষ্টেম লৈবা চাইনানা ইন্টর্নেট কন্ট্রোল তৌবগী থবক কনখৎলক্লি হায়রি।

# য়ু এসনা রাইভেল লৈবাকশিংগী মমাঙদা আই সি বি এমগী চাংয়েং পাঙথোকখ্রে



বান্দেনবর্গ এয়র ফোর্স বেজ (কালিফোর্নিয়া), ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

য়ু এস মিলিটরিনা চয়োল অমগী মনুংদা মসিগী অনীশুবা ইন্টর কন্টি-নেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মায় পাক্না কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রে। রসিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়াগা ষ্ট্রেটেজিক টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈ তাল্লক্তা য়ু এস মিলিটরিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী কেপাসিটি উৎলদুনা বেলিষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি।

ৱারহেদ (খুৎলাই) য়াওদবা মিনীটমেন থ্রি মিসাইল অদু কালিফোর্নিয়াদা লৈবা ভান্দেনবর্গ এয়র ফোর্স বেজগী সিলো অমদগী মখোন হৌনা ঙংলগা পাইথোরকখি। মিসাইল অদু পুংদা কিলোমিটর ১৫,০০০ গী খোঙজেলদা অতিয়াদা পাইখৎখি অমসুং পুংখায় অমরোম লৈরগা কিলোমিটর ৬,৫০০ রোম লাপ্পা সাউথ পেসিফিক্কী মার্সেল ঈথৎশিংদা লৈবা ক্বাজলৈইন অতোলগী মনাক নক্না লৈবা টার্গেট এরিয়া অমদা থুংখি হায়রি। মিসাইল কাপ্পা অদুবু য়েংখিবা দেপ্যুটি দিফেন্স সেক্রেটরি রেবোর্ট ৱার্কনা হায়খি, কুমজা ২০১১গী জন্যুৱারীদগী য়ামদ্রবদা ১৫ রক হন্না পাঙথোক্লবা য়ু এসকী মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা রসিয়া, চাইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগুম্বা ষ্টেটেজিক রাইভেলশিংদা ৱাশিংটনগী অফবা ন্যুক্লিয়র অর্সিনেল অমা লৈ হায়বগী পাউজেল অমা পীরি।

"ঐখোয়না তৌরিবসি মদুমক্লি" হায়না ৱার্কনা মিসাইল চাংয়েং অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

"ঐখোয় অমসুং রসিয়ানশিং অমসুং চাইনিজশিংনা ওপরেসনেল মিসাইলশিং থবক্তা শীজিন্নবা য়ারি হায়বদু প্রুভ তৌনবা রুটিন ওইনা চাংয়েংশিং পাঙথোকই অমসুং মদু ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাকপু য়েক্ন বদগী ঙাকথোক্লনবা তঙাইফদ্রবদি ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিংসু শীজিন্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়বদুগী সিগনেল অমনি" হায়না ৱার্কনা মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র ফোর্স শীজিন্নবা য়ারি হায়বসি উৎপগী তঙাইফদবা অমা হন্দক লাকখি। মসিগী মরমদি য়ু এসকী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং অদু শীজিন্নবা য়াবগী মতম লোইশিল্লকখিবগা লোয়ননা চহী অনীগী মমাঙদা ৱাথোক অনী মথং মথং থোকখিবনা খুৎলাইশিং অদু শীজিন্ননবা কদায় ফাওবা শেম শারবগে হায়বগী ৱাহংশিং লাকখিবদগীনি। য়ু এসনা খুৎলাইশিং অপগ্রেট তৌবদসু অহেনবা মীৎয়েং চঙলি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগী লীদরনা খুৎলাই চাংয়েং তৌহনখ্রে

পিয়োংয়াং, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোংউনগী মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা নৌনা পুথাকপা এন্টি-টেঙ্ক গাইদেদ রোকেটশিং মায় পাক্না কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখ্রে হায়না ওফিসল কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সীনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

খুৎলাইশিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী নেসনল দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা পুথোকখিবনি হায়না জিনহুৱানা রিপোর্ট অদু পল্লদুনা হায়খি।

খুৎলাইশিং অদুবু চাংয়েং তৌবগী পান্দমদি কোইপু পুবা য়াবা এন্টি-টেঙ্ক লেজর গাইদেদ রোকেট অদুগী ফ্লাইয়িং কন্ট্রোল অমসুং একুরেসিবু ভেরিফাই তৌবগা লোয়ননা মদুগী ৱারহেদকী পৱার খঙদোকপনি হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লিবদি, খুৎলাইশিং অদু মমাঙদা য়েংশিনখিবদগী হৌজিক্লা ইমপ্রুভমেন্ট কয়া হাপচিল্লে। হাপচিল্লিবা ইমপ্রুভমেন্টশিংদুগী মনুংদা খুৎলাইশিংদু কাপ্পগী রেঞ্জ শাংদোকহনবা অমসুং ৱারহেদকী পৱার হেনগৎহনবা অমসুং আর্মদ ভেহিকলশিং ফাওদুনা চৎপা ঙম্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনবসু য়াওরি।

কিমনা চাংয়েংগী রিজল্টশিং অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি। মহাক্না খুৎলাইশিং অদু খুদক্তা পাক শন্না পুথোকপা হৌনবসু য়াথং পীখি।




# EMPLOYMENT NEWS

## Union Public Service Commission (UPSC)

Union Public Service Commission (UPSC) issued notification for Engineering Services Examination 2016. Interested and eligible candidates can apply for the examination on or before 25 March 2016.
Last Date for Submission of Application: 25 March 2016
Date of Examination: 27 May 2016
UPSC Vacancy Details
Vacancies available in the following departments:
Civil Engineering
Mechanical Engineering
Electrical Engineering
Electronics and Telecommunication Engineering
Civil Engineering

*Group-A Services/Posts*
(i) Indian Railway Service of Engineers.
(ii) Indian Railway Stores Service (Civil Engineering Posts).
(iii) Central Engineering Service.
(iv) Indian Ordnance Factories Service AWM/JTS (Civil Engineering Post)
(v) Central Engineering Service (Roads), Gr 'A' (Civil Engineering Posts).
(vi) Central Water Engineering Service Gr 'A' (Civil Engineering Posts)
(vii) Survey of India Group 'A' Service.
(viii) AEE(Civil Engg Posts)in Border Roads Engineering Service Gr 'A'.
(ix) AEE(Civil) of P&T Building Works Gr 'A'.
(x) Indian Defence Service of Engineers
(xi) AEE(QS&C) in Military Engineer Service (MES)Surveyor Cadre.

Mechanical Engineering
*Group-A/B Services/Posts*
(i) Indian Railway Service of Mechanical Engineers.
(ii) Indian Railway Stores Service (Mechanical Engineering Posts).
(iii) Indian Ordnance Factories Service AWM/JTS (Mechanical Engineering Posts).
(iv) Central Electrical and Mechanical Engineering Service (Mechanical Engineering Posts).
(v) Geological Survey of India Engineering Service Gr 'A'
(vi) Central Engineering Service (Roads), Gr 'A' (Mechanical Engineering Posts).
(vii) Central Water Engineering Service Gr 'A' (Mechanical Engineering Posts).
(viii) AEE(Mech Engg Posts) in Border Roads Engineering Service Gr 'A'.
(ix) Indian Naval Armament Service
(x) Indian Defence Service of Engineers.
(xi) Central Power Engineering Service Gr 'B' (Mechanical Engineering Posts).

Electrical Engineering
*Group-A/B Services/Posts*
(i) Indian Railway Service of Electrical Engineers.
(ii) Indian Railway Stores Service (Electrical Engineering Posts).
(iii) Central Electrical and Mechanical Engineering Service (Electrical Engineering Posts).
(iv) Indian Ordnance Factories Service AWM/JTS (Electrical Engineering Posts).
(v) Indian Inspection Service (Asstt. Dir. Grade I).
(vi) Indian Supply Service Gr 'A'.
(vii) AEE(Electrical) of P&T Building Works Gr 'A'.
(viii) Indian Naval Armament Service.
(ix) Indian Defence Service of Engineers
(x) Central Power Engineering Service Gr 'B' (Electrical Engineering Posts).

Electronics And Telecommunication Engineering
*Group-A and B Services/Posts*
(i) Indian Railway Service of Signal Engineers.
(ii) Indian Railway Stores Service (Telecommunication/Electronics Engineering Posts).
(iii) Indian Inspection Service (Asst. Dir. Grade-I)
(iv) Indian Telecommunication Service, Group 'A'.
(v) Indian Radio Regulatory Service Gr 'A'
(vi) Indian Ordnance Factories Service AWM/JTS (Electronics and Telecommunication Engineering Posts).
(vii) Indian Naval Armament Service
(viii) Junior Telecom Officer (General Central Service Group 'B', Gazetted, Non-Ministerial).
(ix) Central Power Engineering Service Group 'B' (Electronics and Telecommunication Engineering Posts).

Eligibility Criteria for Engineering Services Examination 2016
Educational Qualification: Degree in Engineering from a University incorporated by an Act of the Central or State Legislature in India or other Educational Institutions established by an Act of Parliament or declared to be deemed as Universities under Section 3 of the University Grants Commission Act, 1956; or passed Sections A and B of the Institution Examinations of the Institution of Engineers (India); or obtained a degree/diploma in Engineering from such foreign University/College/Institution and under such conditions as may be recognised by the Government for the purpose from time to time, or passed Graduate Membership Examination of the Institution of Electronics and Telecommunication Engineers (India); or passed Associate Membership Examination Parts II and III/ Sections A and B of the Aeronautical Society of India; or passed Graduate Membership Examination of the Institution of Electronics and Radio Engineers, London held after November, 1959. Provided that a candidate for the post of Indian Naval Armament Service (Electronics Engineering Posts) and Indian Radio Regulatory Service Gr 'A' may possess any of the above qualifications or the qualification mentioned below namely:- M.Sc. degree or its equivalent with Wireless Communication, Electronics, Radio Physics or Radio Engineering as a special subject
Age Limit for Engineering Services Examination 2016: 21-30 years
How to Apply for the UPSC Engineering Services Examination 2016
Eligible candidates can apply to the post online on or before **25 March 2016.**
Application Fees for UPSC Engineering Services Examination 2016
Others : Rs 200
Female/SC/ST/ PH: Nil
Admit Card for UPSC Engineering Services Examination 2016
Details in this regard can be found from the official website.
Result of UPSC Engineering Services Examination 2016
Details in this regard can be found from the official website.

## UPPBPB Recruitment 2016

Pradesh Police Recruitment and Promotion Board (UPPBPB) invited applications for 1865 Computer Operator (Grade A) Posts. The eligible candidates can apply to the post through the prescribed format on or before 04 April 2016.
Starting Date for Submission of Application: 11 March 2016
Last Date for Submission of Application: 04 April 2016
Name of the Post: Computer Operator (Grade A)
Eligibility Criteria for UPPBPB Recruitment 2016
Educational Qualification: Intermediate pass with Physics & Maths as compulsory subjects. More details can be found from the link given below.
Age Limit for UPPBPB Recruitment 2016: 18-28 years
How to Apply for the UPPBPB Recruitment 2016
Eligible candidates can apply to the post through the prescribed format and send the applications along with other necessary documents so as to reach on or before **04 April 2016.**
Application Fees for UPPBPB Recruitment 2016: Rs 400
Admit Card for UPPBPB Recruitment 2016
Details in this regard can be found from the official website.